
# থৌদাম ব্রজবিধুগী সোর্ট প্লে “পোক্ত্রিঙৈদা শিজগে”



আইনগী মীৎয়েংদা নুপী–নুপা রাইট চপ মান্নরে হায়দুনসু, লাইরিক লাইশু হৈরবা, লৌশিং জ্ঞান লৈরবা মীওইশিংগী মরক্তসু নুপী অঙাংবু হন্থবা মীৎয়েংদা য়েংবগী চৎনবী–হৈনবী অসি থাদোকপা ঙমদ্রি হায়বা উৎনবা হোৎনরিবা মনি য়ুমনামনা ইবা থৌদাম ব্রজবিধু সিংহ না লমজিং লমতাকপা অমা ওইদুনা অয়েংবা ভাবকশিংবু মায় পাক্না শুন্বা ঙমখ্রবা “পোক্ত্রিঙৈদা শিজগে” হায়বা প্লে অমা নাট্য রত্ন সোরোকখাইবম ললিত সিংহগী ১২৬ শুবা মপোক কুমওনগা মরি লৈননা য়াইস্কুল পুলিস লেনদা লৈবা মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়ন (এমদিয়ু) দা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা উৎখিবনি।

মতম শাংনা সস্থান কয়াগা লোয়ননা থিয়েটর গী লম অসিগী মান্নদবা মখল মখা কয়াদা থৌদাং চাওনা য়ারবদা নত্তনা মশামক সোর্ট এন্দ দুকুমেন্টরি ফিল্ম দাইরেক্টর অমা ওইনা ইন্দিয়ান পানোরামা অমদি এমআইএফএফ (মুম্বাই ইন্টরনেসনেল ফিল্ম ফেষ্টিভেল) দা স্ক্রিন তৌরুরবা শক্লাইরবা দাইরেক্টর থৌদাম ব্রজবিধু সিংহ না লমজিং লমতাক্নুনা ৪৮ শুবা মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়ন না শিনখিবা সোর্ট প্লে কম্পিটিসনগী মনা অমদি লিলা অসিবু লমজিং লমতাকখিবা থৌদাম ব্রজবিধু সিংহনা বেষ্ট দাইরেক্টর মনা ফংখিবগা লোয়ননা অতৈ–অতৈ মনা–মথুম কয়া অমসু ফংবা ঙমখ্রবা প্লে অসিগী নুংগী ওইবা ৱারোলদিঃ– জিবশিংগী মনুংদা অথোইবনি হায়রিবা ৱাখল খন্থবা ঙম্বা মীওইবনা ঙসিগী তাইবংপান অসিদা লৈরিবা মীওইবশিংনা হিংবদা নুংঙাইনবা মখল মখা




কয়াগী খুদোংচানবা কয়া য়েংদুনা খম থোংনা চাওখৎপা থাক অদু য়ৌরে।

মপান্থোংগী মীৎয়েংদা অয়ৌবী থাক্তা চাওখৎলবসু মীওইবগী শাজৎতি নোংমা নোংমগী অশুম লৈখা তারক্তুনা, তাহৈদবা উহৈদবা কয়া অমা ঐখোয়না ঙসি ঙসিমক তারি–উরি, থোক্লি।

চিন্দদি লাওরি, নুপীবু অৱাংবা থাক্তা চিংখৎকদবনি হায়না অদুবু, মীয়াম মমাংদা অফবা ফজবা ৱাহৈ পরেং কয়া ঙাংবা মীওইশিং অমসু মাগী নুপী অঙাংদদি অদুম তুহাৎপীরি। ধর্ম্মগী মীংদা নৈহৎপীরি, চৎনবীগী মিংদা।

মসিমক্তনা সমাজদা নুপী ওইবীশিংনা তৌজনিংবা, পাং থোক্লিংবা থবক কয়া মপাঙ্গল থোকপা ঙমদনা লৈরক্লি।

পুম্নমক অসিগী মথক্তা নুপা কয়ানা নুপীবু হন্থবা মীৎয়েংদা য়েংবীদুনা ইজৎ মাংহনবীরি, হাৎপীরি। মসিদসু নত্তনা পিক্লিবা অ



ফ–ফত্ত খংজদ্রিবা নৌরিবা অঙাং কয়াসু মশাগী ইকায় খুম্নবা মাং হন্বীরি।

নুপীবু হন্থবা মীৎয়েংদা য়েংবীবদগীনি ঙসিগী সমাজ অসিদা মমা–মপা ওইবশিংনা নুপী পোকপা পাম্নরকত্রিবা। সমাজ অসিগী তমথিরবা শাজৎশিং অসিগী ৱারি তারুবদগী তাইবং পান অসি অমুক্তংদি উজরদি হায়না খৌরাংনা ঙাইরক্লিবা শয়োমনুংগী অঙাংনা লাওরক্লি “পোক্ত্রিঙৈদা শিজগে” মপাঙ্গল কনলবা আইবগী খুৎই অদুবু হৈশিংবা লমজিং লমতাকপা অমা ওইরিবা থৌদাম ব্রজবিধু সিংহগী হৈ–শিংবা লমজিং লমতাক উখিবা প্লে অসি অয়েংবশিংগী মীৎফম হোংহন্দবা ঙম্বা ওইরি।

চাওরক্লা পুং ১ রোম শাংবা প্লে অসিনা অয়েংবা ভাবকশিংবু নমদুনা ৱাখল খলহনবা ঙম্বা য়াম্নমক মপুং ফাবা অমা ওইরি।

মতম শাংনা থিয়েটর গী লম অসিদা কলাকার অমা ওইনা টেক্নিসিয়ান অমা ওইনা লোয়ন–লোয়ননা লম কয়াদা সংস্থান কয়াদা মায় পাক্লা চং শিনলক্লবা মতুংদা মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়ন (এমদিয়ু) না শীন্দুনা পাঙথোকখিবা সোর্ট প্লে কম্পিটিসন ফোর ক্রিয়েটিব দাইরেক্টর ২০১৭ দা শরুক য়াখিবা “পোক্ত্রিঙৈদা শিজগে” হায়রিবা প্লে অসিনা অনীশুবা বেষ্ট প্রদক্সন ফংবদা নত্তনা প্লে অসিদা থরোগী শক্তম লাংখিবী থৌদাম মোধুবালা দেবীনা বেষ্ট এক্ট্রেস এৱার্দ ফংখি। পুক্নুংদা লৈরিবী পোকত্রিবী অঙাং অমগী শক্তম লাংখিবী থাংজম মঞ্জিতা চনুনা বেষ্ট সপোর্টিং এক্ট্রেস, লিলা ইবা মানি য়ুম্নামনা বেষ্ট স্ক্রিপ্ট, ফুরাইলাকপম সরতচন্দ্র শর্ম্মানা বেষ্ট সেট্টিং, টিঐচ তাইবংঙান্বা না অনীশুবা বেষ্ট লাইট, য়ুম্নাম রাজেন সিংহ না অনীশুবা বেষ্ট ম্যুজিক, দব্লিউ বুধি অমসুং এম মনিমোহোন না অনীশুবা বেষ্ট মেক–অপ, সপাম রঞ্জিতা দেবীনা অহুমশুবা বেষ্ট কষ্ট্যুম এৱার্দ ফংদুনা য়াম্নামক মায় পাক্লবা প্লে অমা ওইখিবা “পোক্ত্রি ঙৈদা শিজগে” হায়রিবা প্লে অসিবু থৱাই হাপ্তুনা লমজিং লমতাকখিবা থৌদাম ব্রজবিধু সিংহ না ৪৮ লক শুবা সোর্ট প্লে কম্পিটিসন ফোর ক্রেসন দাইরেক্টর ২০১৭ গী বেষ্ট দাইরেক্টবু ক্রিয়েটিব মনা ফংখ্রবা প্লে অসিগী ফম্বাক মরুমদা লৈদুনা থৌদাং য়ারিবশিংদিঃ (১) মৈ– থাংজম তাইবংঙান্বা মৈতৈ, (২) ষ্টেজ– পিঐচ সরতচন্দ্র (৩) মেক অপ দব্লিউ বুধি এন্দ এম মানিমোহোন (৪) কষ্ট্যুম–সাপম রঞ্জিতা দেবী (৫) ম্যুজিক–ৱাই



রাজেন সিংহ, (৬) সাউন্দ –আর কে তোম্বিসানা (৭) অইবা– মানি য়ুম্নাম (৮) থৌদাম ব্রাজাবিধু সিংহ–দাইরেক্টর নি।

ফম্বাক্তা শক্তম লাংখিবশিংদিঃ– (১) চাউতোনগী শক্তমদা লাইশ্রম বিপিন, (২) থরোগী শক্তমদা থৌদাম মোধুবালা দেবী, (৩) মেমচৌবী গী শক্তমদা সোরোকখাইবম রেস্মি দেবী, (৪) স্নাতোম্বীগী শক্তমদা লাইশ্রম পেনসি দেবী, (৫) ইমোচাগী শক্তমদা খুন্দোংবম উনবা মৈতৈ, (৬) পুক্নুংগী অঙাংগী শক্তমদা থাংজম মঞ্জিতা চনু ,( ৭) নহা অমগী শক্তমদা মোইরাংথেম মানিমোহোন, (৮) নহা অনীশুবগী শক্তমদা দব্লিউ বুধিনা ওইরিবা প্লে অসিনা “নাত্য রত্ন”–সোরোখাইবম লালিট সিংহ গী ১২৬ শুবা বার্থ অনিভসেরি পালোন থৌরমগী মপুংফাবা শক্তম অমা ওইহনখি।







Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Acting Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*